# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 17-05-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) কৌত্রুকতগী লাঞ্জেন্নরুবদগী অমুক হল্লক্কুনা য়ুম শাদুনা লৈবা হৌরবশিংগী ফিভম মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা য়েংশিনখ্রে।

২) ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা হায়রি- মণিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক রাজ্যশিং অমদি লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ঙসি অকনবা নোং চুরবা য়াই।

অমসুং

৩) ১১ শুবা চহি চাগী চোলা এম্পয়ারগী কোরিনা শাবা প্লেটশিং নেদরলেন্দসগী লিদেন য়ুনিভর্সিতিনা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিদা শিন্নরকখ্রে।

------

সিএম (এল)ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী মনুং চন্না লৈবা কৌত্রুকতগী ইরাংনা মরম ওইদুনা লাঞ্জেন্নরুবশিং অমুক হন্না য়ুম শাদুনা লৈবা হৌরবশিংগী ফিভম মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা য়েংশিনখ্রে।

শ্রী খেমচান্দনা এম.এল.এ- ঐচ. দিঙ্গো অমদি টি. রোবিন্দ্রোগা লোয়ননা সরকারগী ওফিসিয়েলশিং য়াওবা খোঙচৎ অদুদা মফম অদুগী খুঞ্জাশিংনা থেংনবা খুদোংচাদবশিং পাউদমখি। খুঞ্জাশিংগী ৱাফম তারবা তুংদা মুখ্য মন্ত্রি য়ুম াম

খেমচান্দনা হায়- প্রধান মন্ত্রি অৱাস য়োজনাগী মখাদা য়ুম শানবগী শেনফম

ওইনা লুপা লাখ ১ লিশিং ৩০ ফংগদবা অদুগী মথক্তা গৃহ মন্ত্রালয়দগী লুপা লাখ ১ লিশিং ৭০ হাপচিনদুনা পুন্না লুপা লাখ ৩ ফংহনখি। মসিদা অৱাৎ অপা লৈরবসু এম.এল.এগী খুত্থাংদা সরকারনা পাংবা য়াবা মতেং পাংনবা হোৎনগে হায়খি।

পুলিস (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা মণিপুরগী চীং অমদি তমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুন্বা অমদি এরিয়া দোমিনেসন লেপ্পা লৈতনা চত্থরি।

মণিপুর পুলিসকী পাউনা হায়- মফম ১১৫ দা চ্যেক পোইন্টশিং হাংদুনা অচৎ অচওকশিং চ্যেক তৌবগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি। ককচিং জিলাগী মনুং চনবা হিয়াংলম পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা পোল ষ্টার কলেজ মনাক্তগী মীওই অনি হিরোইন ব্রাউনসুগরনি চিংনবা পোৎলমগা কোন্ননা ফারে হায়না পুলিসকী পাউনা মখা তারি। মীওই অনি অদু কাইরং ময়াই লৈকাইদগীনি। মখোয় অনিদগী সাপোন কেপ ১৩ দা গ্রাম ১৪৭ লোম লুম্বা হিরোইন ব্রাউনসুগরনি চিংনবা পোৎলমশিং ফাখি। মসিগীসু মথক্তা মখোয়না তোংলকপা চাকা মরি পানবা গাড়ি অমদি শেল ওইনা লুপা লিশিং ৫২ ফাখি হায়রি।

অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী পেলেস কম্পাউন্দ হৈজিংগাং রোডতগী হৌজিকা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ককৱা নাওরেম লৈকাইদা লৈবা কে.সি.পি (অপুনবা)গী এক্তিভ কাদরনি হায়বা মীওই অমা ফারে হায়রি।

নোং ঃ ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট (আই.এম.দি)গী রিপোর্ট মতুংইন্না ঙসি মণিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক রাজ্যশিং অমদি লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা অকনবা নোং চুরবা য়াই হায়রি। রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না মণিপুর য়াওনা সিক্কিম অমদি অতোপ্পা অৱাং নোংপোক্কী রাজ্যশিংদা ওরেঞ্জ এলার্ট লাউথোকখ্রে।

অমরোমদা, মধ্য প্রদেশ, রাজস্থান, উত্তর প্রদেশ অমদি বিদরভাদা ঙসি কা হেন্না শাবগী ফিভম মায়োকবা য়াই হায়রি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- মতমগা চুনরবা খুৎশু খুৎলায়শিং শিজিন্নদুনা ভারত্তা অথুবা মতমদা সেমি কন্দক্তর চিপশিং পুথোকপা হৌরগনি। নেদরলেন্দসদা পাঙথোকপা দটচ সি.ই.ওশিংগী মীফমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী মোদিনা হায়- এ.এস.এম.এল অমদি টাটাগা ভারত সরকারগা য়ান্না ৱারোল অমা সহি তৌনখিবা অসিনা সেমি কন্দক্তর পুথোকপগী থবক্তা শিংথানিঙাই ওইনা খোঙজেল য়াংখৎহল্লগনি। মালেমগী লল্লোল ঈতিক্কী লুচিংবশিংনা ভারত্তা থল্লিবা থাজবশিং লৈবাক অসিনা থবক্তা ওন্থোকপা ঙম্লগনি হায়নসু শ্রী মোদিনা মখা তাখি। ভারত অমদি য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়নগা য়ান্নখিবা ফ্রি ত্রেদ এগ্রিমেন্টকী মতাংদা পল্লদুনা শ্রী মোদিনা হায়- মালেমগী শক্তি লৈরবা অমদি গনতন্ত্র চৎপা লৈবাক অনিগী অসিগুম্বা এগ্রিমেন্ট অসিনা চাওখৎ থৌরাংগী লম্বীদা হেন্না খুমাং চাওশিনবা ঙমহল্লগনি হায়বগী থাজবা লৈ।

অমরোমদা, ভারতকী খা থংবা শরুক্তা ঙল্লিঙৈ মতমদা লৈরম্বা চোলা এম্পয়ারগী নিংথৌ রাজেন্দ্র চোলা-ৱানগী মতমদা শিজিন্নরম্বা ১১ শুবা চহি চাগী কোরিগী প্লেটশিং নেদরলেন্দসগী লিদেন য়ুনিভর্সিতিনা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিদা শিন্নরকখ্রে। অসিগুম্বা থৌওং অসিনা ভারত অমদি নেদরলেন্দসকী কলা সংস্কৃতি অমদি হেরিতেজগা মরী লৈনবা অরিবা মতমগী পোৎলমশিং পীথোক পীশিন তৌনদুনা অফবা মরী শাগৎপা ঙম্লক্লি হায়বদু ময়েক শেংনা তাক্লি।

নিট ঃ নিট পেপর লিক কেসতা মরুওইনা চেন্নবনি হায়বা মীওই অনি সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সি.বি.আই)গী কষ্টদিদা নুমিৎ ১০ নি থমবা দিল্লিগী কোর্ট অমনা খঙহনখ্রে।

ৱাথোক অসিদা চেন্নবনি হায়বা পি.বি. কুলকারনি অমদি মনিসা ৱাঘমারেবু দিল্লিগী মপানদা পুদুনা মখা তাবা থিজিনবগী থবক চথবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না সি.বি.আইগী মাইকৈদগী হায়রকপদগা স্পেসিয়েল সি.বি.আই জজ- আজয় গুপ্তনা মখোয় অনিবু নুমিৎ ১০ নিগী রিমান্দ পীখিবনি। পি.বি. কুলকারনি অসি সবজেক্ট এক্সপার্ট অমা ওইনা ইং ২০২৬ কী নিট অন্দর গ্রেজ্‌য়েটকী কেসন পেপর শেম্বদা শরুক য়াখিবা মীওইনি হায়না

সি.বি.আইগী মাইকৈদগী কোর্টতা থমখি। মীওই অসিদগী ধনঞ্জয় লোখনদে কৌবা অমনা লিক ওইরক্লিবা ক্নেসনশিং অদু লৌখিবনি হায়নসু সি.বি.আইনা মখা তাখি হায়রি। ৱাফমশিং অসিগা লোয়ননা মীওই অনিসিগী মথক্তা মখা তানা থিজিন্নবা নুমিৎ ১৪ নিগী রিমান্দ পীবীনবা জজগী পুকিং চিংশিনখি। তুংদা মখোয় অনিবু নুমিৎ ১০ নিগী রিমান্দ পীরে হায়না কোর্টনা খঙহনখিবনি।

সিবিএসই ঃ সেন্ট্রেল বোর্দ ওফ সেকেন্দরি ইজ্‌কেসন (সি.বি.এস.ই)গী ক্লাস নাইন অমদি টেন তম্লিবা মহৈরোইশিংদা চহি অসিগী জ্‌লাইগী তাং ১ দগী হৌনা লোল অহুম কম্পলসরি ওইনা তম্বা হৌরগনি।

বোর্দনা থোকপা ৱারোল অমগী মতুংইন্না লৈবাক অসিগী লোল অনি য়াওনা পুন্না লোল অহুম শুকশোই শোইদনা তম্বা হৌরগনি। মসি নেসনেল ইজ্‌কেসন পোলিসি ২০২০ অমদি নেসনেল করিকুলম ফ্রেমৱার্ক ফোর স্কুল ইজ্‌কেসন ২০২৩ গা মরী লৈননা পায়খৎলকপা থৌরাংনি। সি.বি.এস.ইগী মতুংইন্না অহুমসুবা লোল অদুদি ক্লাস টেনগী বোর্দ পরিক্ষাদা য়াওরোই। অদুবু মহৈশঙশিং অদুনা ইন্তরনেল ওইনা য়েংশিনবগী থবক তৌগনি। লোয়ননা সি.বি.এস.ইগী সার্তিফিকেটতা মদু য়াওগনি।

বেদমিন্টন ঃ থাইলেন্দ ওপন বেদমিন্টনদা ভারতকী সটৱিক সাইরাজ রনকিরেদি অমসুং চিরাক সেত্তিগী জ্‌রা নুপাগী দবলস ফাইনেল চংবা ঙমখ্রে। মখোয়না মালেসিয়াগী গোজেফৈ অমদি নুর ইজ্‌দিনবু সেমি ফাইনেল মেটচতা ১৯-২১, ২২-২০ অমদি ২১-১৬ মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চংবা ঙমখিবনি। ভারতকী জ্‌রা অসিনা ফাইনেল মেটচতা ইন্দোনেনিয়াগী লিও রোলি করনালদো অমদি দেনিয়েল মর্থিনগা ঙসি বেঙ্কোক্তা লম্বা তৌনরগনি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

শঙাই এক্সপেস মণিপুরীগী অহানবা হেদলাইন অসি সি.এমনা নেসনেল

স্পোর্টস য়ুনিভর্সিতিগী ফিভম য়েংশিনখ্রে হায়বা হেদলাইন অসিনি।

হেদলাইন অসিগা চপ মান্ননা শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা অনিসুবা হেদলাইনদা ফোংবা থেংনরে।

পাউ অসি মণিপুর মেলগীনা অহানবা হেদলাইন ওইনা ফোংলি। হুইয়েন লানপাউদনা নেসনেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিতিগী শেমগৎ শাগৎলিবশিং চহি অসিগী মনুংদা লোইশিন্নবা পান্দম থল্লি হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

কুকি ইনপীগী সটদাউন্না নেসনেল হাইৱে-টুদা গাড়ি ৫০০ রোম ইম্ফালদা চংলকপা য়াদনা পনদুনা লৈরে হায়না নহারোলগী থৌদাং পাউচেদা অহানবা হেদলাইন পীরি। পাউ অসি হুইয়েন লানপাউদনা দ্রাইভর হেন্দিমেনশিংনা চেং কি.জিদা লুপা ১২০ অমসুং আলু কে.জিদা লুপা ৮০ দা লৈরে হায়না হেদলাইন পীদুনা ফোংবা থেংনরে।

পোকফমগী অহানবা হেদলাইন্না কুকি তেরোরিষ্টশিংনা নাগা মীচম ৬ ফাজিনখিবগী মায়োক্তা মীতৈ অমসুং নাগা পুন্না খোঙজং চংশিনখ্রে হায়বা হেদলাইন অসিনি। পিপলস ক্রোনিকলদসু চপ মান্নবা হেদলাইন পীদুনা ফোংবা থেংনরে

পাউ অসি সনালৈবাক পাউচেদা ফাজিনহৌরিবশিং থাদোকদ্রি, লিখুনসু পুথোকপা ঙমদ্রি, হিংলিব্রা হায়বসু খঙবা ঙমদ্রি, হাইৱে থিংলগা খোঙজং চংশিনখ্রে, য়ু.এন.সিনা থাখিবা মতম ঙসি নুমিদাংৱাইরম ফাওবা শংদোকখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

থাদৌদি তোঙানবা ফুরুপনি, কুকি নত্রগা কুকি পোলিতিকেল ওর্গনাইজেসনগা মরী লৈনদে হায়না থাদৌ ইনপি মণিপুরনা থল্লকখিবা ৱাফমসু হুইয়েন লানপাউদা হেদলাইন পীদুনা ফোংবা থেংনরে।

এন.সি.ই.আর.টিগী লাইরিক্তর অরানবা কয়া য়াওরে হায়বা কে.এস.এনা থল্লকপা ৱাফম পোকফমদা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

------